## শ্রি লঙ্কাগী স্কুলশিং অমুক হাংলে

কলম্বো, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা থা অমা হেন্না থিংলকখিবা শ্রি লঙ্কাগী গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা স্কুল খুদিংমক নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অমুক হন্না থোঙ হাংহনখ্রে।

মহৈরোয়শিংবু ফেস মাস্কশিং উপহনবা অমসুং খুৎকী হায়জিন ইনহনবা য়াওনা হেল্থকী অকনবা গাইদলাইনশিংগী মখাদা মহৈরোয় গ্রেদ খুদিংমক্কী ওইনা ইথৎ লৈবাক অসিগী স্কুলশিং অদু অমুক হন্না থোঙ হাংহনখি হায়রি।

## শিবগী চাং চাদা ২ দা হন্থরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং শিবগী চাং হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা চাদা ২ দা হন্থখ্রে। লায়না অসিদগী ফরকখিবা পেসেন্টশিংগী মশিং লাখ ১৫ হেল্লকপগা লোয়ননা শিবগী চাং হন্থরকখিবনি। শিবগী চাং অসি লৈবাক অসিদা লেপ্তুনা হন্থরক্লি হায়রি।

## কাপথখিবা য়ুক্রেনগী প্লেনগী কম্পেনসেসন য়ুরোপিয়ন ইন্সুররশিংনা পীগদবনি : ইরান

দুবাই, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
টেহরান্না শোয়বদগী হৌখিবা জন্যুৱারিদা কাপথখিবা য়ুক্রেনগী পেসেঞ্জর জেট অদু য়ুরোপকী ফার্মশিংনা ইন্সুররশিং ওইবা মরম্না ইরান্না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্সতা কম্পেন্সেন পীরোই হায়না ইরানগী সেন্ট্রেল ইন্সুরেন্স ওর্গনাইজেসনগী মকোকনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



ষ্টেট টি ভিগা মরী লৈনবা য়ং জ নেলিষ্ট ক্লব ন্যুজ ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী প্লেন অদু লৈবাক অসিদা লৈবা য়ুরোপিয়ন কম্পনিশিংনা ইন্সুর তৌবনি। ইরানগী কম্পনিশিংনা ইন্সুর তৌবা নত্তবনা য়ুরোপিয়ন কম্পনিশিং অদুনা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না ঘোলামরেজা সোলৈমানিনা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেন ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্সকী প্লেন অদু হৌখিবা জন্যুৱারি ৮ দা টেহারনদগী পাইখৎখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা ইরান এলিট রেভোল্যুসনরি গার্দসনা গ্রাউন্দ-টু-এয়র মিসাইল অমা শীজিন্নরগা কাপথখিবনি। কোন্না টেহরান্না থৌদোক অদু য়ু এসকা কন্না মুক্নবগী ফিভম লৈরিঙৈ মনুংদা মীৎকুপ-নাহুম শীংনা লৈরিবা ফোর্সশিংনা শোয়বদগী কাপথখিবনি হায়না শেংদোকখি।

ইরানগী সেন্ট্রেল ইন্সুরেন্সগী মকোক্কী ৱাফম অসি শুপ্পগী এয়রক্রাফট অদুগা মরী লৈন্নে। তৌগুন্নসুং মহাক্কী ৱারোল অসিদা ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীবগী ৱাফম অমত্তা পনদে হায়রি। মহাক্কী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন এভিএসন ইন্সুররশিংগী মায়কৈদগী খুদক্তা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা থৌদোক অদুদা শিখিবা য়ুক্রেনিয়নশিংগী ইমুংশিংদা ইরান্না ওফর তৌরকখিবা কম্পেন্সেসনগী চাং অদু পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা য়ুক্রেন্না কম্পেন্সেসন মতিক চানা লৌনবা হোৎনফম থোকপা খুদিংমক হোৎনগনি হায়না য়ুক্রেনগী ওফিসলশিংনসু তোয়না ফোঙদোকখ্রবনি।

হৌখিবা থাদা ইরান অমসুং য়ুক্রেনগী ওফিসলশিংনা কম্পেন্সেসনগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবগা লোয়ননা মখোয়না লাক্লিবা ওক্তোবরদা মখা তানা ৱারী শান্নবগী ৱাফম য়াননখি। হৌখিবা জুলাইগী রিপোর্ট অমদা ইরানগী সিভিল এভিএসন ওর্গনাইজেসন্ন অশোয়বা কয়া পনখি।

## হোং কোংগী মিদিয়া টাইকুন জিমি লাই অনৌবা সিক্যুরিটি লোগী মখাদা ফাখ্রে

হো কোং, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
হোং কোংদা অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো চৎনবা হৌখ্রবা মতুংদা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা মীওই কয়া মথং-মথং ফাগৎলকখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশক নাইবা মীশক অমা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া টাইকুন জিমি লাইসু ফাগৎখ্রে। মহাক ফোরেন ফোর্সশিংগা খুৎশম্নরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ফাখিবনি হায়রি।



মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পুলিস ২০০ রোম্না মহাক্কী এপল দেলি পাউচেগী ওফিসশিংদা থিবা-হুন্বা চৎখি। মেনলেন্দ চাইনাদা পোকখিবা লাই মশাগী চহী ১২ শুবদা ঙাইরিঙৈদা ঙা ফাবগী হি অমদা তোংহল্লগা লোনা য়াদবা মওংদা হোং কোংদা পুরকখি।

চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিগী খ্বাইদগী মশক নাইবা দেমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংগী মনুংদা লাইসু অমনি। মহাক্না মতম অয়াম্বদা বৈজিংবু চৈথাংদুনা লাকখি। বৈজিংনা সিটি অসিগী প্রো-দেমোক্রেসি কাঙবুশিং ফাবা পুনবগী কেম্পেয়্যন অমা চথুরকপগা লোয়ননা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিগী মিদিয়া অমসুং অতৈ ফ্রীদমশিং মখা তানা থিংজিল্লকপা য়াই হায়বগী নুংনাংনবা লৈরিঙৈদা সিটি ওথোরিটিশিংনা মিদিয়া টাইকুন অসিবু অনৌবা সিক্যুরিটি লোগী মখাদা ফাবগী খোঙথাং লাক্লিবনি।

চাইনানা হৌখিবা জুন ৩০ দা হোং কোংদা অনৌবা সিক্যুরিটি লো অসি চৎনহনখিবা মতমদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কন্দেম তৌখি। এন্টি-গভর্নমেন্ট অমসুং প্রো-দেমোক্রেসি টেব্লোইদ অমা ওইরিবা এপল দেলিগী চীফ এদিটর র‌্যান লোনা পাউচে অসি কিহনবদা চৎলোই হায়খি।

## বৈরুটকী ব্লাষ্টকী মতাংদা মীয়ামগী অশাওবা হেগৎলক্লি, মিনিষ্টর কয়া ফম থাদোকখ্রে

বৈরুট, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
লেবাননগী কেপিটেল বৈরুট সিটিদা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোক্তুনা মীশি-মীনা চাওনা থোকপদগী লৈবাক অসিদা মীয়াম্না গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা পাক শন্না প্রোটেষ্ট তৌনরকখিবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টর কয়ানা প্রসিদেন্ট মিচেল অওন মফম থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরদুনা বাবদা পেলেসকী মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শেম শাদুনা লৈখ্রে হায়রি।



হৌখিবা চয়োলদা বৈরুট হিথাংফমগী ৱ্যেরহাউসতা এমোনিয়ম নাইট্রেট টন ২০০০ হেন্না পোকখায়খিবদা মীওই ১৫৮ শিবগা লোয়ননা মীওই ৬০০০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। খঙহৌদনা থোক্লকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মেদিটরিনিয়ন সিটি অসিদা অমাঙ-অতা কয়া থোকখিবগা লোয়ননা হান্নদগী থা কয়া পোলিটিকেল অমসুং শেল-থুমগী ক্রাইসিস লৈরকপদু ফিভম লুশিলহনখি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না গভর্নমেন্ট অপুন্বা রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখি। পোকখায়বগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা মিনিষ্টর কয়া রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা মখা তানা অতৈ মিনিষ্টর কয়াসু রিজাইন তৌনবা শেম শানখিবদগী প্রেসর চাওনা লৈরবা কেবিনেটনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি খন্ননবা মীফম পাঙথোক্লগনি। লেবানিজ কেবিনেট অসি ইরান্না শৌগৎপা মতিক ময়াই লৈরবা হেজবোলা গ্রুপ অমসুং মসিগী মীচংশিংনা শৌগত্তুনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা শেমখিবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা ইনফোর্মেসন অমসুং ইনভাইরমেন্ট মিনিষ্টরশিং লোয়ননা লো মেকর কয়া মফম থাদোকখি। মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা পোকখায়বগী থৌদোক অদু পল্লদুনা জষ্টিস মিনিষ্টরসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিজাইন তৌখি। রেজিম অপুন্বা হোংবগী তঙাইফদবা লৈ। অনৌবা গভর্নমেন্ট লাক্লবসু খেন্নবা মওং অমত্তা উবা ফংলোই। অদুনা মীখল থুনা পাঙথোক্কদবনি হায়না জো হদ্দাদ কৌবা এঞ্জিনিয়র অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

## ‘টালিবান্না চয়োল অমগী মনুংদা পীছ টোক হৌনবা শেম-শারে’

কাবুল, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
করিগুম্বা প্রিজনর থাদোকপগী প্রেসেস মপুং ফাবা তারবদি টালিবান্না চয়োল অমগী মনুংদা অফঘান মশেলগী ওইবা নিগোএসন চৎথবা হৌনবা শেম-শারে হায়না মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন অমনা লাউথোকখ্রে।



অহানবা ৱারী রাউন্দ অদু দোহাদা পাঙথোক্লবা য়াই অমসুং টালিবানগী ওইনা হান্নগী চীফ নিগোসিএটর অবাস ষ্টানিকজাইনা লুচিংগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা বি বি সী পাস্তোগী ইন্টরভিয়ু অমদা স্পোক্সমেন সুহায়ল সহিদনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা তোলো ন্যুজ রিপোর্টনা হায়খি।

অফঘান অহলশিংগী ওইবা গ্রান্দ এসেমব্লি লোয়া জিরগানা হার্দ কোর টালিবান প্রিজনর ৪০০ থাদোকপগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখিবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভেল্যু ৱাংবা টালিবান প্রিজনরশিং অদুবু থাদোকপগী ৱাফমনা অফঘান মশেল ৱারী শান্নবা হৌবগী মতাংদা মরু ওইবা খুরৌ অমা ওইদুনা লাকখিবনি। লোয়া জিরগা মীফমদা দিমান্দ তৌখিবা সীজফায়রগী ৱাফম টালিবানগী মায়কৈদগী য়ানিংবা লৈব্রা হায়না হংবদা সাহিদনা হায়খি মদুদি, সীজফায়র হায়বসি অফঘান মশেল ৱারী শান্নবগী এজেন্দাগী শরুক অমনি। দোহাগী এগ্রীমেন্টদসু ৱাফম অসি পনখ্রবনি।

হাৎন-শুনবগী ইরাং হন্থহনবগী মতাংদা হংলকখিবদা মহাক্না হায়খি মদুদি, টালিবান্না অচৌবা প্রোভিন্সশিংদা এটেক তৌখিদে অমদি প্রোভিন্সশিংগী সেন্টরশিংসু লৌশিন্নবা হোৎনখিবা লৈতে। ঐখোয়না কেপিটেল কাবুলদসু এটেক তৌখিদে। অদুনা ঐখোয়গী মায়কৈদগী ইরাং হন্থহনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টালিবান প্রিজনরশিং থাদোকপগী দিক্রি নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা খুৎয়েক পীরবা য়াই হায়না গভর্নমেন্ট সোর্স অমনা ফোঙদোকখি। গভর্নমেন্টনা লোয়া জিরগাগী পাউতাক য়ারে। হান্নগী থৌরাংদি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দোহাদা চৎলগা নোংমাইজিং নুমিত্তগী ৱারী হৌবনি হায়না সোর্স অসিনা মখা তাখি।

## নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মাইগ্রেন্ট ৫০০ হেন্না চেনেল লাল্লগা য়ু কে য়ৌরক্লে

লন্দন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
শুপ্নগী নুমিৎ হুম্নিংগী মনুংদা মাইগ্রেন্ট ৫০০ হেন্না ইংলিস চেনেল লাল্লগা য়ু কে য়ৌরক্লে হায়না হোম ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল ফিগরসকী মতুং ইন্না ওগষ্ট ৬-৮ গী মনুংদা য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট ৫৩০ হেন্না মায় পাক্লা য়ু কে য়ৌবা ঙমখি হায়না মেট্রো পাউচেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ব্লাংকেট অমসুং লাইফজেকেটশিং লোয়নবা মাইগ্রেন্টশিং অদু থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা বোর্দর ফোর্সকী হি অমদা তোংলগা দোভরদা থুংবা উখি। অতৈ মাইগ্রেন্টশিংনা কেন্টকী সমুদ্র মপান্দা থংলখি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স (এম ও দি)না হায়খি মদুদি, সিভিলিয়ন ওথোরিটিশিংদা মিলিটরি মতেং পীনবগী মওংশিং ঐখোয়না য়েংশিল্লি অমসুং করম্বা মওংদা খ্বাইদগী ইফেক্তিভ ওইনা মতেং পাংবা য়াগদগে হায়বদু খঙননবা হোৎনরি। মমাংদা হোম সেক্রেটরি প্রিতি পাটেলনা হান্নগী রোয়েল মরিন দান ও মহোনিদা মাইগ্রেন্টশিংবু অপীকপা হিশিং শীজিন্নদুনা ইংলিস চেনেল লান্নিংবগী ৱাখল চেলহন্দনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রবনি।

## হোং কোংগী মতাংদা চাইনানা য়ু এস লোমেকরশিংদা অথিংবা থমখ্রে

বৈজিং, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
হান্নগী বৃটিশ কোলোনি হোং কোংগী মীয়ামগী পোলিটিকেল ফ্রীদমশিং লাকশিন্নবা হোৎনবগী মরাল শীরদুনা হোং কোং অমসুং মেনলেন্দগী ওফিসল ১১ গী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখিবগী পাউখুম ওইনা চাইনানা লেজিসলেটরশিং য়াওনা য়ু এস সিটিজন ১১দা অথিংবা কয়া থমখ্রে।



চাইনানা টার্গেট তৌরিবশিং অদুগী মনুংদা সিনেটরশিং টেদ ক্রুজ, মার্কো রুভিয়ো, টোম কট্টন, জোস হাওলি অমসুং পাটতুমি লোয়ননা রিপ্রজেন্টেটিভ কৃস স্মিট অমদি নন-প্রোফিট অমসুং রাইটস গ্রুপশিংগী মীওই কয়া য়াওরি। য়ু এসকী অরানবা থৌওংগী পাউখুম ওইনা চাইনানা হোং কোংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা ইফোং ফোংনা খুৎ থিংল্লিকপগী থৌওংশিং চথুরকখিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থম্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না চাইনিজ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ঝাও লিজেন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেগ্যুলর প্রেস ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না অথিংবশিং অদুগী অকুপ্পদি পনখিদে। লল্লোন-ইতিক, হোং কোং অমসুং চাইনানা নোভেল কোরোনাভাইরস হেন্দল তৌবগী মওং য়াওনা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরী হৌখিবা থা খরা অসিদা ফিভম শোকচিল্লকখি।

চাইনানা য়ু এস সিটিজন ১১দা অথিংবা থল্লিবসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা, খুৎ থিংজিন্নবগী ৱাফমগী মতাংদা অমগা-অমগা মরাল শীন্নদুনা য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমগা অমগা লমন খুন্নবগী খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা খুৎয়েক পীখিবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমগী মখাদা য়ু এসনা ইরাই নুমিত্তা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরি লাম অমসুং সিটি অসিগী হৌজিক লৈরিবা অমসুং হান্নগী পুলিস চীফশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমখি।

## পাকিস্তানগী পাইলোট ১৯৩ দা নোটিস পীখ্রে


ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
পাকিস্তান সিভিল এভিএসন ওথোরিটি (পি সী এ এ)না পাইলোট ২৬২ স্ক্রুতিনি প্রোসেস মপুং ফানা লোইশিনখিবগা লোয়ননা চিংনবিংঙাই ওইবা ফ্লাইয়িং লাইসেন্সশিং পায়রম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা পাইলোট ১৯৩ দা সো-কোজ নোটিসশিং ইশ্যু তৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

সোর্সশিংগী মতুং ইন্না পি সী এ এ ইনক্বাইরি অদুদা পাইলোট ৮৫০গী ক্রিদেনসিএলশিং চিংননিংঙাই ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা লাইসেন্স ২৬২ চিংননিংঙাই ওই হায়বসি খঙবা ঙমখি। বোর্দ অসিনা ৮৬২ মক পাইবগী থবক লেপহনখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা পাইলোট ২৮গী লাইসেন্স ককপগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখি। সো-কোজ নোটিসশিং ইশ্যু তৌখ্রবা পাইলোট ১৯৩ গী মনুংদা পাইলোট ১৪০ না মখোয়গী পাউখুমশিং সবমিট তৌরকখি। মখোয়গী পোজিসনশিং শেংনা ফোঙদোকহন্নবগীদমক্তা ইনক্বাইরি কম্মিটিনা মখোয়বু বেচ নাইনা কৌখ্রে হায়রি।

পাইলোট খরগী মিং অমদি মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসন/রিফরেন্স নম্বরদা টেক্নিকেলগী অশোয়বা খরা লৈবদগী ৱাৎহৌরিবা পাইলোটশিংদা নোটিস থাবা ঙমদ্রি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## পৱার ২৪X৭ ফংহন্নবগী অনৌবা কঞ্জ্যুমর চার্টর কেবিনেটনা অয়াবা পীরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই ২৪X৭ লৈহনবগী রাইটশিং লৈবাক অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংদা ফংহন্নবগী রেগ্যুলেসনশিং লাকহনগদবা থৌরাং অমা গভর্নমেন্টনা পুথোক্লগনি। অনৌবা রেগ্যুলেসনশিং অদুনা কঞ্জ্যুমরশিংবু মৈ পীবগী মওংদা পেন্দবা লৈরবদি কম্পেসেন্সন দিমান্দ তৌবগী খুদোংচাবা পীরি।



সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, পৱার মিনিষ্ট্রিনা ফাইনেলাইজ তৌরবা অনৌবা তারিফ পোলিসিদা য়াওরিবা কঞ্জ্যুমর চার্টর অমদা পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনিশিংগী থৌদাংশিং অমদি কঞ্জ্যুমরশিংগী রাইটশিং ময়েক শেংনা পল্লি। কঞ্জ্যুমরগী চার্টর য়াওবা অনৌবা তারিফ পোলিসি অদু কেবিনেটকী অয়াবা লৌনবগীদমক্তা পৱার মিনিষ্ট্রিনা থমখ্রে।

করিগুম্বা কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌবা তারবদি সবোর্দিনেট লেজিসলেসন অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি। কঞ্জ্যুমরশিংদা ২৪X৭ মৈ ফংহনবগী পোলিসি অসি লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রিসিটি জেনরেসন অমসুং সপ্লাইগী মোদেল অমা ওইরক্কনা সিটিজনশিংদা লেপ্তুনা মৈ ফংহনবগী রাইট পীগনি নৎত্রগা মৈগী সপ্লাইদা পেন্দবা লৈরগনা কঞ্জ্যুমরশিংবু কম্পেসেন্সন তানবা য়াহল্লগনি হায়না পৱার মিনিষ্ট্রিগী সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা হৌজিক্কী দিমান্দদগী হেন্দোক্না মৈ লৈনৈ। মসিনা কঞ্জ্যুমরশিংদা ২৪X৭ মৈ ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। করিগুম্বা রেগ্যুলেসন অসিদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীরক্তবগা লোয়ননা ষ্টেট খুদিংমক্না থৌরাং অসিবু য়াবা তারবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মৈগী সপ্লাইগী মওংদা অচৌবা অহোংবা লাকহনগদবা মশক থোকপা রিফোর্ম অমা উবা ফংলগনি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা পৱার সেক্তর এনালিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি। পৱার সেক্তরদা গভর্নমেন্টনা পুরক্কদৌরিবা রিফোর্ম অনীগী মনুংদা অমদি তারিফ পোলিসিগী খুত্থাংদা লাক্কনি অমসুং অমনা অনৌবা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট অমগী খুত্থাংদা লাক্কনি হায়রি।

## কষ্টদিদা মী শিখিবদা চেন্নবা এস এস আই কোভিদ-১৯ না নাবদগী শিরে

চেন্নাই, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
টামিল নাদুগী সাথনকুলামদা মপা-মচা পুলিস কষ্টদিদা তমথিনা ওৎ-নৈবদগী শিখিবগী থৌদোক্তা চাওনা চেন্নৈ হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবা স্পেসল সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস পুৱলদুরাই কোভিদ-১৯ না নাবদগী নিংথৌকাবগী অঙনবদা লৈখিদ্রে হায়না পুসিসনা ফোঙদোকখ্রে।



মদুরাই সেন্ট্রেল প্রিজনদা থল্লিবা পৱলদুরাই হৌখিবা জুলাই ২৪ দা পাঙথোকখিবা টেষ্টতা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা মহাক নুমিত্তুমক্তদা গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। মহাক্কী ফিভম ফচিৎলক্তবদগী থাংজ নুমিত্তা পৱলদুরাইগী লোইনবীনা মদুরাই পুলিস কম্মিসনরদা মপুরোইবগী লায়েংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিনবা হায়জখি। মতুং তারকপদা মহাক হোস্পিটাল অদুগী আই সী য়ুদা হোংজিনখি।

হৌখিবা জুন ১৯ দা পি জেয়েরাজ মহাক্কী মচানুপা জে বিনিক মখোয়গী মোবাইল দুকান মতম চানা থোঙ লোন্দবগীদমক্তা সথনকুলম পুলিসনা বুক তৌখি। মখোয় হৌখিবা জুন ২১ দা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কোভিলপাতি জেলদা থমখি। জেয়েরাজ হৌখিবা জুন ২২ দা পুলিস কষ্টদিদা শিখি অমসুং বেনিকনা জুন ২৩ গী অয়ুক্তা শিখি। মপা-মচাগী মীশি অদু পুলিসনা ফু-চৈবা অমদি ওৎ নৈবদগীনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লুরকখি। কেস অদু মমৈংথংদা সী বি আইদা ট্রান্সফৱ তৌখি।

অমরোমদা, টামিল নাদুগী পোলিটিকেল লিদরশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসতা রসিয়াগী ভোলগা তুরেলদা ইরাক্লদুনা শিখিবা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয় ৪ গী হকচাংশিং পুরক্লবগী থৌরাং খুদক্তা লৌখৎপিনবা তকশিনখ্রে।

ভোলগোগ্রার্দ ষ্টেট মেদিকেল য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তম্লিবা টামিল নাদুগী মেদিকেল মহৈরোয় ১০ হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা তুরেল অদুদা চৎলগা ঈরুপখি। মখোয় খঙহৌদনা তুরেলগী ঈথক ঈরৈ কনখৎলকপখিবগা লোয়ননা মহৈরোয় মরি ঈরাক্লরগা অতৈ ৬ না ইরোইরগা তোর্ব্বান তম্না লাকপা ঙম্বদগী হিংখিবনি।

## ইন্দিয়াগী মরু ওইবা লাইশঙ অমদা কোরোনা কেস ৱাংখৎলক্লে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা হিন্দু লাইশঙ অমগী ষ্টাফ মরক্তা নোভেল কোরোনাভাইরস ৭০০ হেন্না দিটেক্ট তৌখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাইশঙ অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ কেস মশিং মিলিয়ন ২.২ হেনলকখিবগা লোয়ননা লাইশঙ অসিদসু ইনফেক্সন হেনগৎলকখিবনি। ইন্দিয়াদা কোরোনা-ভাইরস কেসশিং অর্বান এরিয়াশিংদগী অপীকপা টাউনশিং অমদি রুরেল এরিয়াশিংদা তপ্না-তপ্না শন্দোরকখি।

লৈবাক অসিগী খা থংবা লমদমগী টিরুমালা টাউনদা লৈবা লোর্দ ভেনকতেস্বরা লাইশঙ অদু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী ইনাক খুল্লবা হিন্দু লাইশঙশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ।

গভর্নমেন্টনা থমখিবা লোকদাউনগী তাঙ্কক অমগী মতুং হৌখিবা জুন ১১ দা লাইশঙ অসি অমুক হন্না হাংখিবদগী ষ্টাফকী মীওই অনী অমসুং হান্নগী ইমপ্লোয়ী অমা কোভিদ-১৯ না নাবদগী শিখ্রে। হৌজিক ফাওবদা লাইশঙ অসিগী ইমপ্লোয়ী ৭৪৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, লায়না অসি পক্লবা লাইশঙ অসিগী মীওই খুদিংমক্তা খ্বাইদগী ফবা থাক্কী লায়েং চথুরি। ঐখোয়না চেকশিন থৌরাংশিং, সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাকই। লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই খুদিংমক মাস্ক উপ্পি হায়না লাইশঙ অসিগী ট্রষ্ট ওর্গনাইজেসনগী চ্যেরমেন ৱা ভি সুভারেদিনা ফোঙদোকখি।

লাইশঙ অসিদা নুমিৎ খুদিংগী লাই খুরুম্বা লাক্লিবা মীওই লিশিং কয়াগী মনুংদগী মীওই কয়া য়াম্না ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈরবগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদে হায়রি।

## কোভিদ-১৯গী অরানবা পাউ শন্দোকপা ২ ফারে

ভুবনেশ্বর, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) :
উরিষাগী কেপিটেল ভুবনেশ্বরগী কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টকী মতাংদা মীয়ামদা লান্না খলহনগদবা পাউ শন্দোক্লম্বগী মরালদা মীওই অনী নিংথৌকাবা নুমিত্তা কম্মিসনরেট পুলিসনা ফাখ্রে।

প্রাইভেট ন্যুজ চেনেল অমনা শন্দোকখিবা ভুবনেশ্বর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টতা অশোয়বা চাওনা লৈ হায়না মরাল শীবা য়াওবা মীওই অনীনা ৱারী শানখিবগী ওদিও ক্লিপ অমা পাক শন্না তান্নখিবা মতুংদা মীওই অনী অদু ফাখিবনি।

## এন আই এগী টিম য়ু এ ঈ য়ৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি) : কেরলাগী গোল্ড স্মাগ্লিং কেসকী মতাংদা চথুরিবা থিজিন-হুমজিনবগী থবক্কা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)গী মেম্বর অনীগী টিম অমা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেট (য়ু এ ঈ)দা চৎখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এন আই এগী তোপ ওফিসল অমগী মতুং ইন্না টিম অদু হৌখিবা নুমিদাংদা দুবাই য়ৌখি। মখোয়না কেরলাগী ওফিসলশিং চেন্নবা লৈরবদি খঙদোকনবা ইভিদেন্স লৌনবা হোৎনগনি।

## অনৌবা কেস ১,২৫৬ থেংনদুনা তেলঙ্গনাগী অপুনবা কেস মশিং ৮০,০০০ হেল্লে

হায়দ্রবাদ, ওগষ্ট ১০, (এজেন্সি) :
নিংথৌকাবা নুমিত্তা তেলঙ্গনাদা অনৌবা কেস ১,২৫৬ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৮০,০০০ হেনখ্রে। নুমিৎ অসিদা ইনৌ নৌনা মীওই ১০ অমসু শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশিং পুন্না ৬৩৭ য়ৌখ্রে।

হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেসশিং অদু থেংনবদগী তেলঙ্গনাদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসনা শোকহনবা মী মশিং ৮০,৭৫১ য়ৌরে। হোম নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনেল আইসোলেসনদা লৈরিবা পেসেন্ট ১৫,৭৮৯ য়াওনা এক্তিভ কেস মশিংনা ২২,৫২৮ নি।

হোম আইসোলেসন তৌরিবশিংগী চাদা ৮৪ হেন্না মশাদা লাইওং অমত্তা উৎলকপা য়াওদে। ষ্টেট অসিদা লায়না অসিনা শিহনবগী চাং চাদা ০.৭৮ ওইদুনা নেসনল এভরেজ চাদা ২.০১ য়াম্না হন্থনা লৈরি। দিরেক্টরেট ওফ পব্লিক হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা থাদোকপা মিদিয়া বুলেটিন অমগী মতুং ইন্না শিখিবা পেসেন্টশিংগী চাদা ৫৩.৮৭ দি হান্নদগী মশাদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং চেনবা মীওইশিং ওইখি। ষ্টেট অসিদা নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা টেষ্ট মশিং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা চাংদগী শরুক অনী হেল্লি হায়না ষ্টেট অসিগী ওথোরিটিশিংনা ক্লেম তৌরি।

টার্গেট টেষ্ট মশিংনা ৫,৬০০ ওইবদা ষ্টেট অসিগী টেষ্টিং লেবোরেটরি ৩৯ অমসুং রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টিং সেন্টর ৩২৩না পুন্না টেষ্ট ১১,৬০৯ পাঙথোকখি। সেম্পল ১,৭০০ টেষ্ট রিজল্টশিং ঙাইরি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পুন্না টেষ্ট ৬,২৪,৮৪০ পাঙথোকখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অহেনবা পেসেন্ট ১,৫৮৭ লায়েংবদগী ফরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা পুন্না মীওই ৫৭,৫৮৬ নাবা ফদুনা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

তেলঙ্গনাগী রিকোভরি রেট চাদা ৭১.৩১ ওইদুনা নেসনল এভরেজ চাদা ৬৮.৭৮ তগী হেল্লি। অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদ গ্রেটর হায়দ্রবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন জুরিসদিক্সন মনুংদা ৩৮৯ থেংনখি। জি ঐচ এম সীগা লোন্নরিবা রঙ্গারেদ্দি অমসুং সংগরেদ্দিদা মথংশিংনা অনৌবা কেস ৮৬ অমসুং ৭৪ দিটেক্ট তৌখি।

মিদিয়া বুলেটিনগী মতুং ইন্না গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংগী ফমুং ২০,৩৯৬কী মনুংদা হৌজিক ফমুং ১৭,৮৬৬ হাংলগা লৈরি। কোরোনা পেসেন্টশিং লায়েংলিবা প্রাইভেট হোস্পিটাল ৯১ গী ফমুং ৬,৮৫০গী মনুংদা ফমুং ২,৬৪১ হাংলি। জি ঐচ এম সীদা কন্টেনমেন জোন ৭৭ লৈ হায়রি।